Refreshingly Readable
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

ইম্ফালগী গান্ধী মেমোরিএল হোলদা ওক্টোবর ১২ দগী ২১ ফাওবা চৎথগদবা অহুমশুবা নিংঙোল খূদোল মেলা হৌদোকপগী রিবন ককপগী শক্তম

লামায় ৩

ক্যামগৈ ময়াই লৈকায়দা লৈবা ৰাইখোম খোংনাং হায়রগসু খঙনবা খোংনাং অমগী মশা অমা ব্রজ তারক্তুনা কক্লবা তুংদা লৈমায়দা তাশিনবা

লামায় ১

কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স)না শীন্দুনা থাঙ-তাগী তোপ্পরশিং পূক্লিং থৌগৎপা থৌরমগী শক্তম অমা

লামায় ৩

ককচীং কৈথেলদা লৈবা হোটেল অমদি অচা-অথক য়োনবা দুকানশিংদগী ফাগৎলকপা মতম হেল্লবা পোৎলমশিং ফূদ সেফটিগী টিমনা হৈদোক্তুনা মাঙহনবা

লামায় ৪

Vol. 41, Issue No.199 ইরাই, মেরাগী ২৪ নি পানবা, অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Friday, October 13, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৬.৬৩
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৫.২৭

চাইনিজ ২ ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২: প্রোটেক্টেদ এরিয়া পার্মিট (পি এ পি) য়াওদনা মণিপুরদা চঙলকখিবা চাইনিজ অনী ফারে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। অদুমওইনমক ফারবা মীওইশিং অদু কোর্টকী য়াথং মতুংইন্না থাদোকখ্রে হায়রি। ছোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা পি এ পি য়াওদনা চঙলকখিবা চাইনিজ অনী অদু তুলিহল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী ফোরেনর চেক পোষ্টতা ফাখিবনি। ফারবা মীওই অনী অদু চাইনাগী জিনসাও প্রোভিন্সতগী লাকপা হে জিওং (৩২) অমসুং গ্বাংদোং প্রোভিন্সতগী লাকপা লিয়ু ঝিসিন (৩৭) কৌই হায়রি। চাইনাগী কম্পেনি অমদা থবক তৌবা মীওই অনী অদু কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা নুমিৎ হুম্নিগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি। অকোনবদা কোর্টনা মখোয় অনীবু লুপা ১০,০০০ ফাইন ওইনা থীহল্লবা মতুংদা থাদোকখ্রে হায়রি। মখোয় অনীমক য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইম্ফাল

...মখা লামায় ৩ কলম ২

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	77.102177
US Dollar	65.059914
British Pound	85.451829
Australian Dollar	50.828210
Chinese Yuan Renminbi	9.874765
Japanese Yen	0.579116
Malaysian Ringgit	15.407757
Norwegian Krone	8.240689
Singapore Dollar	48.031426
South Korean Won	0.057474
Swedish Krona	8.042772
Turkish Lira	17.781374
Myanmar Kyat	0.04769
Bangladesh Taka	0.79436

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30406.42
Mumbai	–	Rs 31326.20
Delhi	–	Rs 30748.66
Kolkata	–	Rs 31454.55

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	৩১.৫০ °C	২২.১৮ °C
চান্দেল	৩৩.৪৭ °C	২৩.৪১ °C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	৩১.৯৭ °C	২২.৫১ °C
সেনাপতি	৩১.৩৭ °C	১৭.৬০ °C
তমেংলোং	এন এ °C	এন এ °C
থৌবাল	৩৩.০৯ °C	২১.০০ °C
উখ্রুল	২৪.৭৪ °C	১৬.৬৫ °C
মণিপুর	৩৪.৬২ °C	১৬.৬৫ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৯.৫০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৪৯
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

HL POLL

Q : FIFA Under-17 World Cup ta Manipuri macha 8 yaoba India teamgi performance penbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak
www.hueiyenlanpao.com
da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Meekhalda nongmei faoba kapnaduna khatna-cheinaraklibasi leingakki asonbani haina loubra?

Yes 72% No 28%

অস! লোইরেহে!

তোক্লো ইবেম্মা মথংদা হোৎনরসি!

ꯇꯣꯛꯂꯣ ꯏꯕꯦꯝꯃꯥ ꯃꯊꯪꯗꯥ ꯍꯣꯠꯅꯔꯁꯤ!



মাম্মা, লৈকায় হরাওনবনি,
ঐ অমুক ভোট লেপ্পরোই...!

ꯃꯥꯝꯃꯥ, ꯂꯩꯀꯥꯏ ꯍꯔꯥꯑꯣꯅꯕꯅꯤ,
ꯑꯩ ꯑꯃꯨꯛ ꯚꯣꯠ ꯂꯦꯞꯄꯔꯣꯏ...!

বরাক অমসুং মক্রু থোং শানবা সী এমনা উরেপ-উয়ুং তমখ্রে

চীং চাউখৎহনবা হায়বসি লৈঙাক্লা তৌগদবা থবকশিংগী মনুংদা অহানবা ওইগনি : সী এম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২(ঐচ এন এস):

মণিপুরগী অনীশুবা লাইফ লাইন ওইরিবা ইম্ফালগী জিরিবাম লম্বী (নেসনল হায়ৱে ৩৭) দা লৈবা বরাক অমসুং মক্রু থোং শাননবা ঙসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা বরাক থোংখোঙদা উরেপ-উয়ুং তমখ্রে।

মফম অদুদা পাঙথোকপা মীয়াম তিনবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, চীং চাউখৎহনবা হায়বসি লৈঙাক্লা তৌগদবা থবকশিংগী মনুংদা অহানবা ওইগনি। পান্দম অসিদা মহাক্কী লৈঙাক্লা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়ামরুম পায়খৎপা হৌরে। বরাক অমদি মক্রু থোং অসি চহী অমগী মনুংদা শাবা লোইনবা পান্দম থল্লি। থোং অসি শাবা লোইরগদি ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা চাং নাইনা গাড়ী চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অপনবা থোক্লরোই।

থোং অনী অসিখক্তা নৎতনা ইরং থোংসু শাননবা থা ৬ কী মনুংদা দি পি আর শেল্লগা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা থাননবা থৌরাং লৈরে।

বন্দ ব্লোকেদ তোয়না তৌবগী মতাংদা মহাক্লা পুন্নমক্কী পূক্লিং চিংশিল্লদুনা হায়খি, দিমান্দ অমা তানবদা লম্বী থিংবা নৎত্রগা ব্লোকেদ তৌবা হায়বসি চুমদে। লম্বী থিংদ্রিঙৈ, ব্লোকেদ তৌদ্রিঙৈদা মখোয়না পাল্লিবদু করিনো হায়বা লৈঙাক্লা হান্না ৱারী শানসি।

মহাক্কী মথংগী খোঙচৎ তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা ওইগনি। থা অসিগী ২৪ দা মহাক মফম অদুদা চৎকনি অমসুং মীয়াম উনদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা করি-করি চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা য়াবগে হায়বনচিংবা হকথেংননা য়েংশিনগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ৱাটর সপ্লাই স্কিম য়াওনা লুপা ক্রোর ৩৫ রোমগী তোঙান-তোঙানবা থবকশিং পায়খৎনবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামদা লাউথোক্কনি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা সবকা সাঠ সবকা বিকাস হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা অনৌবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা য়াইফহন্নবগীদমক থবক কয়ামরুম পায়খৎলি। অনৌবা মেদিকেল ইন্সুরেন্স স্কিম, হেল্ঠ ক্যের অমদি লায়রবগী পনখৈ মনুংদা লৈবা ইমুংশিংসু স্কিম অসিনা কান্নবা পীগদৌরি।

চহী ১ দা ইমুং অমমম্দা লুপা লাখ ২ রোম মেদিকেল ট্রিটমেন্টকী খুদোংচাবা পীগদৌরি। লাক্লিবা দিসেম্বর ৩ ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট অসিদা অনৌবা স্কিম অমদি মশানা মশাবু থবক পীজনবা লল্লোন-ঈতিকী থবকশিং অমদি দিসএবল্ডশিংগী পেন্সন্নচিংবা পীনবা থবক পায়খৎকদৌরি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, নেসনল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সী এল) না

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

য়ূম্বু ওইরিবা ইন্দিয়া ফিফা অন্দর১৭ ৱর্ল্ডকপ্তুগী লৈহৌরে

দেল্লি, ওক্টোবর ১২ (ঐচ এন এস):

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা সিটি ৬তা হৌখিবা ওক্টোবর ৬তগী হৌদুনা চৎথরক্লিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ ২০১৭তগী য়ূম্বু ওইরিবা ইন্দিয়া লৈহৌরে।

গ্রুপ ষ্টেজগী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি ইন্দিয়ানা ঘনগা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম ন্যু দেল্লিদা শান্নখি। মেচ অদুদা ইন্দিয়া ঘনগী মখূৎতা গোল ০-৪দা মায়থীহৌদুনা ৱর্ল্ড কপ অসিদগী লৈহৌখিবনি। ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীরমখিবা ঘননা গ্রুপ এগী অহানবা পোজিসন্দা লৈদুনা নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখ্রে।

পুৱারীদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়ন টিম্না ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াখিবনি। ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়ানা অহানবা মেচতা য়ু এস এগী মখূৎতা মায়থীখি। অনীশুবা মেচতনা কলম্বিয়াগী মখূৎতা মায়থীখি। ঘনগা ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়ন টিম্না হান্নদগী হেন্না ফজবা মওংদা শান্নরকখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী ইন্দিয়ন টিম্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অদুবু অহানবা হাল্ফ লোইরমদাই মেচকী ৪৩শুবা মিনিটতা ঘনগী কেপ্তেন এরিক অয়িয়ানা গোল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাঙজিল থারগা চৎখি। ঘননা মাঙজিল থাদুনা চৎখ্রবসু ইন্দিয়ন টিম্না মখা তানা এটেক কয়া চথদুনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৫২শুবা মিনিটতা এরিক অয়িয়ানা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা ঘননা গোল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মসিগী মতুং রিচার্দ দান্সোনা মেচকী ৮৬শুবা মিনিট অমসুং ইমানুএল টোকুনা মেচকী ৮৭শুবা মিনিটতা গোল অমমমগা চনশিল্লক্তুনা মেচ অদু ঘননা ইন্দিয়াবু গোল ৪-০দা মায়থীবা পীরমখি।

সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবা খোঙজং

নাৎকী ফিজেৎ লৈতেংগা লোয়ননা লাংদেং থীন্দুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২(ঐচএনএস):

মৈতৈ/মীতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চলহল্লু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা নাৎকী ফিজেৎ-লৈতেংগা লোয়ননা মৈরা পায়দুনা অমসুং লাংদেং (ধোলোক) থীন্দুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর (এস টি দি সী এম)গী থৌমীশিংনা ঙসি খোঙজং চঙশিনখ্রে।

এস টি দি সী এমগী এগজিক্যুটিব মেম্বর মুতুম চূড়ামনিনা লুচিংবা টিম অদুনা বি টি রোদতা লৈবা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিসতা চঙশিনখি। মফম অদুদা লৈরম্বা কোংগ্রেস ৱার্করশিংদা এস টি দি সী এমগী মেম্বরশিংনা অঙাংবা রিবন কিবগা লোয়ননা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চন্ননবা কেম্পেন অসিদা শৌগৎপীননবা পূক্লিং চিংশিনখি।

মফম অদুদগী থোরক্লগা বি টি রোদতা অচৎ-অওক তৌবশিং অমসুং লল্লোনবশিংদা মৈতৈ/মীতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চনবগী কেম্পেন চথখি। মৈরা পায়দুনা অমসুং লাংদেং থীন্দুনা শাবাউ-লানবাউ চেনবগুম্না চথখিবা কেম্পেন অদুনা মীওই কয়াগী পূক্লিং শুঙ্খৎপা ঙমখি অমসুং কেম্পেন অদু মায় পাক্লা চথখি হায়না মুতুম চূড়ামনিনা পাউচে অসিদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, মৈতৈ/মীতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চলহল্লু হায়না থা অসিগী ২০ গী মতুংদা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লকপদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুংখায়রোম তাবা অদুৱাইদগী বি টি রোদতগী হৌরগা মৈরা পায়রগা লাংদেং থীন্দুনা শাবাউ-লানবাউগী পাউজেল পুদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোয়বদা পাউজেল পীবগা লোয়ননা লম্বীদা চৎলম্বা মীওইশিংদা রেদ বেদজশিং থেৎখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, মীয়ামগী ঈহুল খঙনা লৈঙাক্লা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টতা মৈতৈ/মীতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবা রেকমেন্দেসন থাবীয়ু।

মখা লামায় ৩ কলম ৪

ব্রজনা খোংনাংগী মশা ককখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২(ঐচএন এস):

ক্যামগৈ ময়াই লৈকায়দা লৈবা মীয়াম্না ৱাইখোম খোংনাং হায়রগা খঙনবা অচৌবা খোংনাং পান্বী অমদা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা ব্রজ তারক্তুনা খোংনাং অসিগী অচৌবা মশা অমা ককখ্রে।

মফমদুদগী ফংবা পাউনা হায়, ঙসি নুংথিল ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী মফম খরদা অখাক-অরাওগা লোয়ননা অকনবা নোং চুখি। অকনবা নোং মরক্তুদা তারকপা ব্রজনা খোংনাং পান্বী অদুগী অচৌবা মশা অমা ককখ্রবা তুংদা ঈশিং পুদুনা লাকপা গাড়ী অমগী মথক্তা মশা অদু তাশিনখি। অদুমকপু থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক-অপন য়াওখিদে হায়রি।

কম্মান্দোনা হাৎখ্রবা মীওই ১দা লাখ ৫ পীনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২(ঐচ এন এস):

মণিপুর পুলিস কম্মান্দোনা খূৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওই অমগী ইমুংদা লুপা লাখ ৫ কম্পেন্সেসন ওইনা পীনবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা খঙহনখ্রে।

হ্যুমেন রাইটস লো নেটৱার্ককী দিরেক্টর মৈহৌবম রাকেশনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কুমজা ২০০৯ গী মে ৬ অমসুং ৭ কী লোন্নবা অহিংদা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী উরিপোক পোলেম লৈকায়দা ঙাংবম নাওবা এলিয়স ফুলচান্দ কৌবা মীওই অমা ময়ুমদগী ফাদুনা পুথোকখ্রগা খূৎ থোক্লবনি হায়জিল্লগা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। মতমদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দোগী সব-ইন্সপেক্টর এল বেদজিৎনা লৈখিদ্রবা মীওই অদু অথিংবা থমখ্রবা গ্রুপ অমগী মেম্বরনি অমসুং খূৎ থোক্লবদা লৈখিদবনি হায়না অইবা রিপোর্ট অমা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জদা লানখৎলকখি।

চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ২০১০ গী মার্চ ৩১ দা লৈখিদ্রবগী অপোকপী ঙাংবম ওংবী কমলিনিনা পিটিসনর ওইরগা হায় কোর্টতা রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌখি। হায় কোর্টনা দিষ্ট্রিক্ট জজ মণিপুর ইষ্টকী খূথাংদা ইনক্বারি চথহন্দুনা থৌদোক অদুগী অচুম্বা লংলা-লংজিন পুথোক্লবা হোৎনখি।

দিষ্ট্রিক্ট জজ মণিপুর ইষ্টনা কুপ্না থিজিল্লবা মতুংদা লৈখিদ্রবা মীওই অদু কুমজা ২০০৯ গী মে ৬ অমসুং ৭ কী লোন্নবা অহিংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মণিপুর পুলিস কম্মান্দোনা ফানবা হোৎনবগী মহুৎতা মীনুংশি য়াওদবা মওংদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি হায়বা ৱারোল য়াওবা রিপোর্ট পীশিল্লকখি। হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ঙসি হীরম অসিগী মতাংদা হিয়ারিং চথরবা মতুংদা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৈখিদ্রবগী অপোকপীদা লুপা লাখ ৫ কম্পেন্সেসন ওইনা থা ৪গী মনুংদা পীগদবনি হায়না খঙহনখি।

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২১ না

...মখা লামায় ৩ কলম ২

পঞ্চায়ট মীখলগী ভোট মশীং থীবা লোইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২(ঐচ এন এস):

থা অসিগী ৭ তা পাঙথোকখিবা মঙাশুবা জেনরেল পঞ্চায়ট মীখল, ২০১৭কী ভোট মশীং থীবা অয়াম্বা ঙসি নুমিদাং অথেংবদা লোইখ্রে।

মীখল অসিগী মীদিয়া সেলদগী ফংবা পাউনা হায়, শওম্বুং আর ওগী মখাদা জিল্লা পরিষদ ৬, প্রধান ১৮, গ্রাম পঞ্চায়ট মেম্বর ১৩১ মক্কী মীখলগী ফল লাউথোকপা লোইখ্রে।

পোরোম্পাৎ আর ওগী মখাদা জিল্লা পরিষদ ৭ লৈবগী মনুংদা ঙসি নুমিদাং অথেংবদা ৬ মশীং থীবা লোইখ্রে। ৱাংহৌরিবা ১দুসু লোইদ্রিফাওবা ভোট মশীং থীগনি হায়রি। আর ও অসিগী মখাদা প্রধান ১৯, গ্রাম পঞ্চায়ট মেম্বর ১৩৮কীসু ফল লাউথোকপা লোইখ্রে হায়রি।

লমশাং আর ও/এস দি ওগী মখাদা জিল্লা পরিষদ ৪, প্রধান ১০, গ্রাম পঞ্চায়ট মেম্বর ৬৮, পাৎশোই আর ও/এস দি ওগী মখাদা জিল্লা পরিষদ ৫, প্রধান ১৪, গ্রাম পঞ্চায়ট মেম্বর ৯১, ৱাঙ্গোই আর ও/এস দি ওগী মখাদা জিল্লা পরিষদ ৫, প্রধান ১৪, গ্রাম পঞ্চায়ট মেম্বর ৯৯, লিলোং আর ও/এস দি ওগী মখাদা জিল্লা পরিষদ ৩, প্রধান ৭, গ্রাম পঞ্চায়ট মেম্বর ৬৬, থৌবাল আর ও/এস দি ওগী মখাদা জিল্লা পরিষদ ৭, প্রধান ২০, গ্রাম পঞ্চায়ট মেম্বর ১৫৫, নম্বোল আর ও/এস দি ওগী মখাদা জিল্লা পরিষদ ৩, প্রধান ৫, গ্রাম পঞ্চায়ট মেম্বর ৩০, বিষ্ণুপুর আর ও/এস দি ওগী মখাদা জিল্লা পরিষদ ৩, প্রধান ৬, গ্রাম পঞ্চায়ট মেম্বর ৪১গী ভোট মশীং থীবা লোইদুনা মরী লৈনবশিংদা মায় পাকপগী সর্টিফিকেটশিং য়েল্লোকখ্রে।

মোইরাং আর ও/এস দি ওগী মখাদা জিল্লা পরিষদ ২, প্রধান ১২, গ্রাম পঞ্চায়ট মেম্বর ৭২গী ভোট মশীং থীবা লোইখ্রে। জিল্লা পরিষদ সীট ৩গী ভোট মশীং অহিং তুমদনা থীগনি হায়রি। থেংনা ফংবা পাউ অমগী মতুংইন্না জেদ পি অমখক্কী ফল ফংগদবা ৱাৎলি। অতৈদি লোইনমক ফল লাউথোকখ্রে।

ৱাইখোং আর ও/এস দি ওগী মখাদা জিল্লা পরিষদ ৩, প্রধান ৮, গ্রাম পঞ্চায়ট মেম্বর ৫৯ অমসুং জিরিবাম আর ও/এস দি ওগী মখাদা জিল্লা পরিষদ ২, প্রধান ৬, গ্রাম পঞ্চায়ট মেম্বর ৪৯গীসু ভোট মশীং থীবা লোইখ্রে। ঙসি নুমিদাংদগী হৌনা দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্কী অধক্ষ্য খন্ননবা মেম্বর ফাবগী থবক হৌনখ্রে হায়রি।

অসামগী মণিপুরীশিং য়েলহৌমী ওইহন্নবা লৈঙাক্তা তকশিনখ্রে

সিলচর, ওক্টোবর ১২(ঐচএন এস):

সিলচরগী খোঙচৎ অমদা লাকখিবা অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালদা মণিপুরী য়ূঠস ফ্রন্ট অসাম (এম ৱাই এফ এ)গী সেক্রেটরি জেনরেল ফাঙ্জৌবম লোকেনাথনা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা অসামদা লৈরিবা মণিপুরীশিং য়েলহৌমী ওইনা লৌগদবনি হায়না তকশিনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুগী মতুংইন্না চহী চা কয়াগী মমাঙদগী অসামদা খুন্দারক্লবা মণিপুরী মীয়াম্বু ষ্টেটকী য়েলহৌমী ওইনা লৌফম থোকই হায়রি। অসামদা লৈরিবা মণিপুরী মিদিয়ম স্কুলশিংদা নন-মণিপুরী ওজা হাপ্পীদনবসু এম ৱাই এফ এনা চীফ মিনিষ্টরদা তকশিনখি। তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া পুখৎখিবা মেমোরেন্দম অদুগী মতুংইন্না মণিপুরদা অথৌবশিংগী নুমিৎ হায়না পাঙথোক্লিবা ওগষ্ট ১৩বু অসামদা ষ্টেট হোলিদে ওইহনগদবনি হায়না তকশিনখি।

অসামগী সী আই দিনা শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈননা ইনভেষ্টিগেসন চথরিবা মরমনা মণিপুরী দিভলপমেন্ট কাউন্সিল (এম দি সী)গী চেয়রমেন জিতেনবু মফম লৌথোকপগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই অমদা ফম অসি পায়হনগদবনি হায়না এম ৱাই এফ এনা চীফ মিনিষ্টরদা তকশিনখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ন কন্সটিট্যু-সনগী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

MGT MOTORS
THE BIG Festive BONANZA
TATA
ZIP
MEGA XL
ONE MORE REASON TO CELEBRATE THIS FESTIVE SEASON
UNBELIEVABLE INTEREST RATE AT 3.99%
REQD DOCS : DRIVING LICENCE, VOTER ID, ADHAR CARD, PAN CARD BANK STATEMENT 1 YEAR, AUTO DEBIT FORM AND 5 CHEQUES FAVOURING TATA MOTORS FINANCE.
SUPER ACE MINT
YODHA
MAGIC MANTRA
* Terms & Condition Apply
MGT Motors : Showroom, Opp Iskcon Temple, Airport Road Imphal Toll Free : 18003133060
ZIP – 8416014677 MEGA – 8416014687 SUPER ACE MINT – 8416014663 YODHA - 8416014675 Magic - 7085056208
HL-B/4155/5,7,9,11,13&15Oct.

ই সাইকল মণিপুরগী ওইনা অহানবা মখল
অহানবা ভারতকি তেক্নোলোজিনা শাজবা
মসিনা কান্নহল্লিবা মখলসিং
মখলসিং Medley Nile Avatar Sylph
ফংফম:
ৱাং ই সরভিসেস (হুলিক্কল)
www.hulikkal.com
ককবা মখা থোরোই মখোং সরক মনিং
HL-P/2192/2-21Oct.